# য়ুএস কেপিটোল এটেক: হ্বাইট হাউসকী হান্নগী এইদশিংনা মথংগী হিয়ারিংদা মখোয়গী ষ্টেটমেন্টশিং পীগদৌরি



ৱাশিংতন, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): যুএসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী সপোর্টরশিংনা কেপিটোলদা থোমজিনখিবা মতমদা মহাক্না করি তৌখিবগে হায়বগী মতাংদা জনুৱারী ৬ কী থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা হাউসকী কম্মিটিনা খঙদোক্নবা থিজিল্লকপগা লোয়নননা শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা পেনেল অসিগী প্রাইম টাইম হিয়ারিংদা হ্বাইট হাউসকী হান্নগী এইদ অনীনা মখোয়গী ৱারোলশিং পীগদৌরি হায়না প্লানশিং অদুগী মরমদা নোলেজ লৈবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মেটর অসিবু ফোঙদোকপগী ওথোরাইজ তৌদবা অমদি মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা মীওই অদুগী মতুং ইন্না হান্নগী দিপ্যুটি নেসনল সেক্যুরিটি এদভাইজর মাথিয়ু পোতিংজর অমসুং হান্নগী প্রেস এইদ অমা ওইরিবা সরাম মাথিয়ুসনা হিয়ারিং অদুদা টেষ্টিফাই তৌগদৌরি।

পোতিংজর অমসুং মাথিয়ুস অনীমক প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা মীখলদা মায় পাকপগী কনভেন্সেল সার্টিফিকেটশিংগী প্রোসেসতা অয়েৎ অপন পীখিবা কুমজা ২০২১ গী জনুৱারী তরুক্তা থোকখিবা মীয়ামগী ইরাং অদুগী মতুংদা খুদক্তা রিজাইন তৌখি।

কম্মিটিগী নিপানশুবা অমদি তান চারবদি অরোইবা ওইগদৌরিবা সম্মর অসিগী হিয়ারিং অদুদা ৰিটনেস অনীনা কম্মিটিগী নেরেটিবতা হাপচিনগদৌরিবনি। প্রাইম টাইম হিয়ারিং অদুনা ট্রম্পকী সপোর্টরশিংনা পুলিস ওফিসার কয়া ফু চৈখিবগা লোয়নননা কেপিটোলদা নমদুনা থোমজিনখিবা পুং খরগী মতম অদুদা ট্রম্পনা করি তৌখিবগে নত্ত্রগা তৌখিদবগে হায়বগী অকুপ্পশিং লেপথোক্লবা হোৎনগদৌরিবনি।

মমাঙগী হিয়ারিংশিংদা হ্বাইট হাউসতা থোকখিবা থৌদোক অদুদা লৈখিবা কাংখোং চাইবা ফিভমগী অকুপ্পশিংগা মরী লৈননা ৰিটনেস কয়ানা মখোয়গী ৱারোল পীখি। নুমিৎতুগী ইরাংদুদা হাউসকী এইদশিং অমদি আউটসাইদরশিংনা প্রসিদেন্টদা ইরাং হৌরিবশিং অদুবু মফম অদুবু থাদোক্তুনা চৎখিনবা হায়জখিবনি।

তৌইগুম্বসুং মহাক্না এইদশিং অমসুং আউটসাইদরশিংনা হায়রিবা ৱাফম অদু থবক্তা ওন্থোকপদা পুং ৩ হেন্না মতম লৌখি। থৌওং অদুগা মরী লৈননা মতমদুদা মহাক্না চপ চানা করি তৌদুনা লৈখিবগে হায়বগী মতাংদা হৌজিকসু ৱাহং কয়াগী পাউখুম ফঙদনা লৈরিবনি।

কম্মিটিগী স্পোক্স পার্সন অমনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কম্মেন্ট পীয়ু য়াখিদে। মেম্বর মাপনগী পেনেল অদুদা য়াওরিবা লো মেক্করশিংনা ফোঙদোরকখিবদা হিয়ারিং অদুনা নুমিৎতুদা দোনাল্ড ট্রম্পনা তৌফম থোকপা মথৌ তৌখিদে হায়বসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ইভিদেন্স পুথোক্লগনি।

খোইরাং খোইশাওনরবা মীওই কয়া অদুবু লাকশিন্নবা মহাক্কী মায়কৈদগী পীফম থোকপা ওর্দরশিং পীখিবনচিংবা লৈতে হায়বা ৱারোল কয়া ৰিটনেসশিংনা হিয়ারিং অদুদা ফোঙদোক্লরক্কনি হায়রি। হিয়ারিং অসিগা মরী লৈননা রাইওট অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথরিবা হাউস কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইরিবা রিপ্রজেন্টেটিব অদাম কিঞ্জিজরনা শগোলশেল নুমিৎকী সেসন অদুবু লুচিংগনি। মহাক্না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা সেসন অসিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা মীয়াম্বু মপুং ফানা ৱাখল তাহল্লগনি।

নুমিৎতুদা প্রসিদেন্টনা তৌফম থোকপশিং মপুং ফানা তৌবগী মহুত্তা টেলিভিজন য়েংদুনা লৈথোকখি হায়না রিপ্রজেন্টেটিব অদামনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চহী অমা চুপ্পা চথরকখিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিদা পেনেল অসিনা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসি ইরাং হৌবা মীওইশিংনা কেপিটোল কমপ্লেক্সতা থোমজিন্দুনা অমাঙ অতা কয়া থোকহল্লকখিবা মতমদা করি তৌদুনা লৈখিবগে হায়বগী মতাংদা অকুপ্পা কয়া খঙবা ঙমখ্রবনি।

# সিপিইসি অফঘানিষ্টানদসু য়ৌহন্নবা পাকিষ্টান, চাইনানা খন্নরি



ইস্লামাবাদ, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): মতম শাংনা লানগী চৈথেং নঙলক্লবা অফঘানিষ্টানদা শেল থুমগী থবক থৌরমশিং চাওখৎহন্দুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু নুংঙাই য়াইফহন্নবগীদমক্তা চাইনা-পাকিষ্টান ইকনোমিক কোরিদোর (সিপিইসি) অসি অফঘানিষ্টানদা য়ৌহনবগী ৱাফম পাকিষ্টান অমসুং চাইনাগী সেনিয়র ওফিসলশিংনা খন্নখ্রে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্ট খরনা হায়রি।

এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্টনা হায়, ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম বেল্ট এন্দ রোদ ইনিসিএটিব (বিআরআই) অফঘানিষ্টানদা য়ৌহনবগী ৱাফম অসি চাইনাগী অফঘানিষ্টান এফিয়ার্সকা মরী লৈনবা অখন্নবা এনভোই য়ু সিয়াও য়োং অমসুং ইস্লামাবাদতা লৈবা ফোরেন ওফিসকী ফোরেন সেক্রেটরি সোহেল মহমুদকী মরক্তা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা খন্নখি।

ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, নাকল অনীনা অফঘানিষ্টানদা হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেল অমসুং সেক্যুরিটিগী ফিভম, পাকিষ্টান অমসুং চাইনানা অফঘানিষ্টানদা পীরিবা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং অমসুং নাকল অনীনা ইন্টরেষ্ট লৈবা অতৈ ৱাফম কয়াগী মতাংদা লৈরিবা মতশিং ফোঙদোক্লখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়, রিজনেল কন্নেক্টিভিটিগী মতাংদা নাকল অনীনা অফঘানিষ্টানদা শেল থুমগী থবক থৌরমশিং চাওখৎহন্দুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু নুংঙাই য়াইফহন্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিদা সিপিইসি য়ৌহনবগী মতাংদা লৈরিবা মতশিং ফোঙদোক্লদুনা তান্নখি।

# স্পেনদা হিটৱেবতা শিবা মী শিবা ৫১০ শুরে



মাদ্রিদ, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): স্পেনদা নুংশাগী মৈশা কা হেন্না শাগৎলকপদগী হৌজিক থোক্লিবা হিটৱেব অসিগী অহানবা চয়োলদা লৈবাক অসিগী মফম খরদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৫ য়ৌখিবগা লোয়নননা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১১০ শিখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা স্পেনগী হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

হিটৱেবকা মরী লৈননা মীওই কয়া শিখিবসি মিনিষ্ট্রি অসিগী মখাদা লৈবা কার্লোস থ্রী হেল্‌থ ইন্সটিট্যুট (আই এস সি) থ্রীনা রিপোর্ট তৌখিবনি।

থাংজ নুমিত্তা হিটৱেবকী ভিক্তিম পুন্না ১৫০ রিপোর্ট তৌদুনা হৌজিক ফাওবদা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিবা নুমিৎ ওইরি। আই এস সি থ্রী সিষ্টেম ওফ মোনিটাইজেসন ওফ দেলি মোর্গেলিটি (এম ও এম ও) গী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা হিটৱেব কনখৎলকখিবগা লোয়নননা নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈননা শিবা মী মশিংসু খঙহেন হেনগৎলকখি।

আই এস সি থ্রীনা হায়, জুলাই ১০ দগী ১৩ ফাওবদা হায়বদি নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা হিটৱেবতা শিবা মী মশিং অসি ১৫ দগী ১৬ তা হেনগত্তুনা শরুক মরি হেনগৎখি। মশিং অসি হৌখিবা শগোলশেলদা অমুক খঙহেন হেনদুনা ৯০ য়ৌখি অমদি ইরাই নুমিত্তা ১২৩ য়ৌরবা মতুং থাংজ নুমিত্তা ১৫০ য়ৌখি। নোংমাইজিং নুমিত্তা অনৌবা ফিগরশিং ফোঙবগা লোয়নননা হিটৱেবতা শিবশিংগী অপুনবা মশিং মখা তানা হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈরি।

হিটৱেব অসিদা মরু ওইনা অহল ওইরবা মীওইশিংদনা হেন্না শোকহনবা উরি। ভিক্তিম ৫১০ অসিগী মনুংদা ৩২১ দি চহী ৮৫ নত্ত্রগা মসিগী মথক ওইবা মীওইশিং অমসুং ভিক্তিম ১২১ না চহী ৭৫ অমসুং ৮৪ গী মনুংদা লৈবশিংনি অমদি ভিক্তিম ৪৪ না চহী ৬৫ অমসুং ৭৪ গী মরক্তা লৈবশিংনি।

# বৃটিস গভর্ণমেন্ট পার্লিয়ামেন্টকী কনফিদেন্স ভোটতা মায় পাক্লে



লন্দন, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): বৃটিস পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউস ওইরিবা হাউস ওফ কম্মন্সকী লো মেক্করশিংনা কনফিদেন্স ভোট অমদা প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনবু শৌগৎখ্রে।

জোন্সনগী গভর্ণমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা কনফিদেন্স ভোট অমা পাঙথোকপগী ৱাফম হৌদোকখিবনি। মদু মেন ওপোজিসন লেবর পার্টিনা থাংলকখিবা খোঙথাং অমবু মায়থীবা পীননবগীদমক্তনি। করিগুম্বা লেবর পার্টিগী মোসন অদুনা মায় পাক্লকপা তারবদি লৈবাক অসিদা জেনরেল ইলেক্সন ঙন্না পাঙথোকপগী ফিভম লাকহনগদৌরিবনি।

কঞ্জার্বেটিব পার্টি (এমপি) শিংনা মফম থাদোক্লগদবা প্রাইম মিনিষ্টরবু শৌগৎখিবগা লোয়নননা কনফিদেন্স ভোট অদুদা পুন্না ভোট ২৩৮ কী মায়োক্তা ৩৪৯ ফঙদুনা গভর্ণমেন্টনা মায় পাকখি। লেবর পার্টিগী লুচিংবা কেয়র ষ্টারমরনা এমপিশিংদা জোন্সনবু থাজদবগী মোশন অদুবু শৌগৎতুনা ভোট পীননবা তকশিনখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি বৃটেনদা লেবরগা লোয়নননা ইনৌ নৌবা লৈঙাক্কী তাঙ্কক অমা হৌদোকপা মথৌ তারে। অসিগুম্বা লৈঙাক্তা টোরি পার্টিগী কাংখোং চাইবগী ফিভম অদু উরোই অমসুং লৈঙাক অদুদা থা কয়া চুপ্পা প্রাইম মিনিষ্টর অসিবু শৌগৎখিবা মতিক চাদ্রবা মীওইশিং অদু য়াওবা উররোই।

হাউস ওফ কম্মন্সতা পাঙথোকখিবা দিবেটতা শরুক য়ারদুনা স্কোটিস নেসনেল পার্টিগী লুচিংবা ইয়ান ব্লেক ফোর্দনা হায়খি, মদুদি মমৈথংদা ঙসি ঐখোয়না হিরম খুদিংমক্তা মায়থীরবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা অমসুং ঐখোয়গী মীৎমাংমক্তুদা তুজরক্লবা কঞ্জার্বেটিব পার্টিগী গভর্ণমেন্টগী মতাংদা ঐখোয়গী ওইবা ভর্দিক্ট পীনবগী খুদোংচাবা অমা ফঙলে।

পনবা য়াবদি, বোরিস জোন্সন জুলাইগী অঙনবা শরুক্তা পার্টিগী লিদর ওইবদগী রিজাইন তৌখিবনি। মহাক্না পার্টিগী লিদর ওইবা তোকপগা লোয়নননা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমসু থাদোক্কদৌরিবনি। কুমজা ২০১৯ দা টেন্ট দাউনিং ষ্ট্রিটতা চঙশিল্লবা মতুং থা খরখক্কী মনুংদা জোন্সন্না মীখল ঙন্না পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়নননা মীখল অদুদা কঞ্জার্বেটিবশিংনা সিট ৮০ গী মেজোরিটি ফঙদুনা পার্টি অসিগী লঞ্জাও মতুংগী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাওনা মায় পাকপশিংগী মনুংদা অমা ওইখি।

# য়ুএস মিলিটরিগী বাইওলোজিকেল এক্তিভিটিশিংদা কুপ্না মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই: লাভরোব



মোস্কো, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): পেন্টাগোন্না মালেমগী মফম কয়াদা পায়খৎলিবা মিলিটরি বাইওলোজিকেল এক্তিভিটিশিংদা কুপ্না মীৎয়েং চঙননবা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোবনা মালেম পুম্বদা আপিল তৌখ্রে হায়রি।

মসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙখিবা আর্টিকল অমগী মতুং ইন্ননি। ইষ্টবেষ্টিয়া পাউচেদা ফোঙখিবা আর্টিকল অদুনা হায়রিবদি বাইওলোজিকেল খুৎলায়শিং শেম শানবগীদমক্তা ইংনা চিক্না রিছার্স চথবগী মিংদা পেন্টাগোন্না ক্রিমিনেল ওইবা মওংদা খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা পেথোজেনশিংদা চাংয়েং কয়া চথরি হায়বসিগী ইভিদেন্স কয়া লৈরে।

পেন্টাগোন্না মসিগী দিফেন্স থ্রেট রিদক্সন এজেন্সিগী খুত্থাংদা য়ুক্রেনদা লোন্না থুপ্না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংবু লাভরোবনা ক্রিটিসাইজ তৌখি। মহাক্কী মতুং ইন্না দোনবাস অমদি থংনবা মফমশিংদা লৈবা মিলিটরি-বাইওলোজিকেল লেবশিংদা রসিয়ন মিলিটরিনা থেংনরকখিবা ট্রেসশিংনা পেন্দাগোন্না প্রোহিবিসন ওফ বাইওলোজিকেল এন্দ টোক্সিন ৱেপন্স (বিটিদব্লিয়ুসি) গী কনভেন্সন হকথেংননা থুগায়রে হায়বসি ময়েক শেংনা তাকই। ঐখোয়না মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং অদু ৱাশিংতনদা অমদি য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা পীখ্রবনি। হিরম অসিগী মতাংদা এক্সপ্লেনেসন পীনবা তকশিন্দুনা বিটিদব্লিয়ুসিগী মতাংদা প্রোসিজর চথবা হৌরে হায়না রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর লাভরোবনা আর্টিকল অদুদা ইখি।

মহাক্না মখা তানা আর্টিকল অদুদা হায়, য়ুক্রেনদা চথরিবা বাইওলোজিকেল রিছার্স পুম্নমক পিছফুল ওইবা পান্দমশিংগীনি অমসুং সিভিলিয়ন ওইবা থবকশিংনি হায়রদুনা য়ুএস এদমিনিষ্ট্রেসন্না মখোয়গী থবক থৌরমশিং অদু অরানবা থবকশিং নত্তে হায়না উৎনবা হোৎনরি।

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

**Ref. 9/SDO/Lil/Cert/2015(pt)/1811** **Lilong, the 29th June, 2022**

Smt. Meenarjan, W/o Late Md. Aton of Keibung Makha Leikai Khekman

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Lilong the 19th July, 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Smt. Meenarjan, W/o Late Md. Aton of Keibung Mekha Leikai Khekman, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট SDC/Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Lilong

HL-P/3323/20

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mut. Case No. 617/SDC/Hng/IE/2022**

Thokchom Umabati Devi, W/o (L) Thokchom Meghachandra Singh of Laipham Khunou Mayai Leikai –Petitioner (s)

-Vrs-

Late Thokchom Meghachandra Singh, S/o (L) Th. Gopal Singh of Laipham Khunou -O.P. (s)

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Dated : 19-7-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং.৯৭-চীংমৈরোং নোংচুপতা লৈবা অরিবা পাট্টা নং ...... অনৌবা পাট্টা নং ১২৫/৩৪৮, দাগ নং ২০১/৪৩৩, এরিয়া .০১৩ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃত: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C., Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা S.D.C., Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Heingang, Imphal East.

HL-P/3472/20

# ইক্কাদোরগী প্রিজন রাইওটতা ইনমেট ১৩ শিরে

ক্বিটো, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): ইক্কাদোরগী সান্টো দোমিঙ্গো সিটিদা লৈবা জেল অমদা রাইওট থোক্লকপদগী য়ামদ্রবদা ইনমেট ১৩ শিখ্রে অমসুং ইনমেট অনী অশোক অপন নঙখ্রে।

জেল অদুদা লৈরিবা ইনমেটশিংগী মরক্তা অমগা অমগা খুৎ থোক্নরকপদগী ইনমেট কয়া শিবগা লোয়নননা অশোক অপনশিং অদু থোকখিবনি। জেলগী ইম্মজেন্সিগী ফিভম অদুদা নেসনেল পুলিস আর্মদ ফোর্সেস অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ পব্লিক হেল্‌থকী মীওইশিং কৌশিন্দুনা ফিভম অদু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবা মথৌ তারি হায়না নেসনেল কম্প্রিহেন্সিব ক্যের সার্ভিস ফোর পার্সন্স দিপ্রাইব ওফ লিভর্টিনা রিপোর্ট অমদা হায়খি।

জেল অদুমক্তুদা হৌখিবা মে ৯ দা থোকখিবা ভাইওলেন্সতা ইনমেট ৪৪ শিখ্রবনি। অমগা অমগা য়েংথিনবা দ্রগ ট্রাফিক্কিং গেঙশিংগী মরক্তা মুক্নবা অমদি খৎন চৈনবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইদুনা ইক্কাদোরগী প্রিজন সিষ্টেমদা শাথিরবা ক্রাইসিস অমা মায়োক্লদুনা লাক্লি। কুমজা ২০২১ দা লৈবাক অসিগী প্রিজন কয়াদা পরিং নাইনা থোকখিবা রাইওটশিংদা ইনমেট ৩০০ হেন্না শিখি। গভর্ণমেন্টনা দ্রগ ট্রাফিক্কিংগী মায়োক্তা কেম্পেইন অমা লাউথোকখ্রবনি।

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY COMMISSIONER, UKHRUL

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Ukhrul, the 18th July, 2022

**No. 10/157/2020-REV(UKL)Pt/0430:** Whereas, the Central Government, Ministry of Road Transport and Highways published official Gazette notification under section 3A of the National Highways Act, 1956 that the land from Km.04.200 to Km 73.136 of NH-202 is required for building (widening two lane with pave shoulder etc.), maintenance, management and operation of NH 202 in the district of Ukhrul in the State of Manipur.

Whereas, the Central Government further published Gazette notification under sub-section (1) of section 3D of the said Act thereby declared that the said land should be acquired for the aforesaid purpose. It further declared under sub-section (2) of section 3D of the Act on publication of the official Gazette notification, the said land shall vest absolutely in the Central Government free from all encumbrances.

Whereas, the amount of compensation determined by the competent authority under section 3G of the Act with respect to land from Km 04.200 to Km 30.970 (excluding Litan Sareikhong Bazar from km 11.800 to km 12.600 = 800m) covering villages — Zalenbung, Shangkai, Lamlai Chingphei, Mongkot Chepu, L.Sareikhong, TM Kasom, Shokvao, Ramva (Lambui) and Shangshak Khunou/Finch Corner etc. has been deposited by the Central Government under sub-section (1) of section 3H of the Act vide letter NHIDCL/RO-Imphal/Y-F Corner/NH-202/2022-23/510 dated 14.06.2022 of NHIDCL, RO-Imphal. And whereas, the Competent authority has issued an orders on 14.06.2022 informing all the concerned villagers to submit Bank account numbers so that compensation payable may be transmitted to their respective bank account. Whereas, some affected villagers failed to submit such bank account till date.

Now therefore, in exercise of power conferred by sub-section (1) of section 3E of the National Highways Act, 1956 the competent authority hereby directs all the affected owners as well as any other persons who may be in possession of such land to surrender or deliver possession thereof to the competent authority within sixty days from today failing which such defaulters would be forced to surrender of such land to the competent authority.

**Sd/- Krishna Kumar, IAS**
**Deputy Commissioner, Ukhrul**

HL-P/7758/20


যূকো বৈংক UCO BANK

যু সী ও বেঙ্ক, ইম্ফাল ব্রাঞ্চ থাঙ্গাল বজার, ইম্ফাল
মণিপুর-৭৯৫ ০০১
ফোন নম্বর : ০৩৮৫-২৪৫১১৪৫
E-Mail: Imphal@ucobank.co.in

**ঈ-ওক্সন সেল নোটিস**

এপেন্দিক্স-IV(A)
**[রুল ৮(৬)কী প্রোভাইজো য়েংউ]**
**ইম্মুভেবল প্রোপর্টি য়োনবগী সেল নোটিস**

সিক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সত্রক্সন ওফ ফাইনান্সিএল এসেটস এন্দ ইনফোর্সমেন্ট ওফ সিক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট ২০০২ অমসুং সিক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুলস, ২০০২ গী রুল ৮ (৬)কী প্রোভাইজো মখাদা ইম্মুভেবল এসেটশিং য়োনবগী ঈ-ওক্সন সেল নোটিস।
য়ুকো বেঙ্ক : ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী ওথোরাইজ ওফিসরনা কন্সত্রক্টিভ পোজেসন পায়রবা অমসুং সেক্যুর্দ ক্রেদিটরদা মোর্টগেজ/চার্জ তৌবা মখাগী ইম্মুভেবল প্রোপর্টি অসি **'লৈরিবা মফম অমসুং ফিভমদা' তারিখ ০৩/০৯/২০২২দা য়োল্লগনি হায়না মীয়ামদা মরু ওইনা বোরোৱর (শিং) অমসুং গরেন্টর (শিং)দা নোটিস অসি পীজরি।**

| সে নম্বর | মোর্টগেজরগী মিং অমসুং এদ্রেস (বোরোৱর/গরেন্টর) | মোর্টগেজ তৌবা (ইম্মুভেবল) প্রোপর্টিগী মওং মতৌ | রিজর্ভ মমল (লুপা) | ঈ এম দি (লুপা) |
|---|---|---|---|---|
| ১. | **বোরোৱর :** শ্রী বাচস্পতিময়ুম রোমাকান্ত শর্ম্মা (বোরোৱর) অপোকপা শ্রী বি ভুবনেশ্বর শর্ম্মা লৈফম: ব্রহ্মপুর অরিবম লৈকায়, পি.ও.ইম্ফাল, পি.এস পোরোম্পাৎ | ভিলেজ নং: ৩৮-ৱাঙ্খেং পাঞ্চিম, ব্রহ্মপুর, ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা পাট্টা নং: ৫০ (অরিবা), ২৯০-এ (অনৌবা) অমদি দাগ নং: ৩০৭ ওইবা একর ০.৬২ পাক চাওবা মখাগী অসুম্না কোইশিনবা ইঙ্খোলগী ইক্যিটেবল মোর্টগেজ। অৱাংদা : গুরু অরিবম ব্রোজেশ্বরি দেবীগী ইঙ্খোল খাদা : বি শনটকুমার শর্ম্মগী ইঙ্খোল নোংপোক্তা : বি প্রমেশ্বর শর্ম্মগী ইঙ্খোল নোংচুপ্তা : পাট্টাদারগী লেমহৌরিবা শরুক | ১১,৮৮,০০০/- | ১,১৮,৮০০/- (১০%) |

য়োনবগী অকুপ্পা টর্ম অমসুং কন্দিসনশিংগীদমক ৱেবসাইট https://mstcecommerce.com/auctionhome/ibapi/index.jsp দা পীরিবা লিঙ্কতা য়েংবীয়ু।

**তারিখ ১৯/০৭/২০২২**
**মফম : ইম্ফাল**

**ওথোরাইজ ওফিসর**
**য়ু সী ও বেঙ্ক**

(i) **ঈ-ওক্সনগী তারিখ অমসুং মতম : তারিখ : ২২/০৮/২০২২ : মতম : ১১.০০ এ এমদগী ৩.০০ পি এম ফাওবা (বিদ খুদিংমক মিনিট ১০ শাংদোকপা য়াই)।**
(ii) **প্রোপর্টি ইন্সপেক্সনগী তারিখ অমসুং মতম : তারিখ : ২২-০৮-২০২২ দগী ২৪-০৮-২০২২ ফাওবা।**
(iii) **বিদ্দরশিংনা লুপা ১০,০০০.০০/- না খুজিং ওইরগা মখোয়গী ওফরশিং হেনগৎহনগদবনি।**
(iv) **ওনলাইনদা শরুক য়ানবা হায়জবা লেট্টর/কে ৱাই সী দোক্যুমেন্টশিং/ঈ এম দিগী প্রুফনচিংবা সবমিসন তৌবগী তারিখ অমসুং মতম মীপুম খুদিংমক্কী ওইনা তারিখ ২২/০৮/২০২২ নৎত্রগা মমাঙগী তারিখশিংগী অয়ুক পুং ১০.৩০ ফাওবনি।**

** ওথোরাইজ ওফিসরগী অকুপ্পশিং : শ্রী নাখো তিমোথি (চিফ মেনেজর, অগরতালা জোনেল ওফিস), ফোন নং: ০৩৮১-২৩৮০২২৮, মোবাইল-৯৭২৪০৩০১১৪, (ঈ-মেল:gandac@ucobank.co.in, zoagartala.rec@ucobank.co.in, zo.agartala@ucobank.co.in)

HL-B/7756/20